# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, AUGUST 20, 2018 **PAGE 7**




*ইংলেন্দগা শান্নখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচকী নিনিশুবা নুমিৎতা ইংলেন্দগী ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বোলর হর্দিক পান্দিয়া*

*ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট টিমগী মরুওইবা বোলর অমা ওইরম্বা ক্রিকেটকী ফোরমেট অহুমক্তগী পোত্থারগনি ফোঙদোকখ্রবা মিটচেল জোনসন*



# ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেডল বজরং পুনিয়ানা রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা লৌখ্রে, মিক্স এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী চান্দেলা অমসুং কুমারনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে, গেমস অসিগী মেডল টেলিদা চাইনানা মাঙজিল থারি

*জার্কটা, ওগষ্ট ১৯ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চখৎরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেডল বজরং পুনিয়ানা রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা ফংবা ঙমখ্রে, ইন্দিয়াগী চান্দেলা অমসুং কুমারনা মিক্স এয়র রাইফলদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে। মেডল টেলিদা চাইনানা মকোক ওইদুনা লৈরি।



*রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বজরং পুনিয়া*

রেষ্টলিং দিসিপ্লিনগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৫গী ফাইনেলদা জপানগী রেষ্টলর টাকাটানি দাইচিবু পোইন্ট ১১–৮ দা থোইদুনা দিসিপ্লিন অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৪শুরবা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর বজরং পুনিয়ানা অহানবা রাউন্দদা উজবেকিষ্টানগী সিরোজিদ্দিন খাসানোভপু পোইন্ট ১৩–৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা পুনিয়ানা টাজিকিষ্টানগী রেষ্টলর ফাইজিয়েভ অব্দুলকোসিমবু ১২–২ দা থোইরম্লবা মতুং সেমি ফাইনেলদা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর বাটমাগনাইবু পোইন্ট ১০–০ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

রেষ্টলিং দিসিপ্লিন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৭৪গী ক্বালিফিকেসন বাওটতা ইন্দিয়াগী সুসিল কুমার বহারেনগী রেষ্টলর অদাম বাটিরোভকী মখূত্তা পোইন্ট ৩–৫ দা মায়থিহৌবদগী মেডল ফংবা ঙমহৌখিদে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিক্স এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী চান্দেলা অমসুং কুমারনা স্কোর ৪২৯.৯ তৌদুনা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী সুট্টর কুমার অমসুং চান্দেলানা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা সোট ৪০ / ৪০ মিনট ৫০গী মনুংদা কাপ্পদা পুন্না স্কোর ৮৩৫.৩ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী মিক্স সুট্টর চান্দেলা অমসুং কুমারনা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী অহানবা মেডল ফংবা ঙমখিবদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিক্স এয়র রাইফলগী গোল্ড মেডল অদুনা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়রনা পোইন্ট ৪৯৪.১ ফংলগা লৌবা ঙমখি। অদুগা সিলভর মেডল অদুনা চাইনাগী মিক্স সুট্টরনা পোইন্ট ৪৯২ দা ফংখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর অমসুং অভিসেক বর্ম ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

নুপাগী ত্রেপ ইভেন্টকী ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী সুট্টর মানভজিৎ সিংহ সান্ধু স্কোর ৭২ তৌদুনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর ইভেন্ট অসিদা স্কোর ৭১ তৌদুনা ৫শুবা পোজিসনা লৈখি।

নুপীগী ত্রেপ ইভেন্টতা কম্মনৱেল্ঠ গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী শ্রিয়াসি সিংহ স্কোর ৭১ তৌরগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী সুট্টর ইভেন্ট অসিদা স্কোর ৭১ তৌরগা ৪শুবা পোজিসন তাখি। ত্রেপ ইভেন্ট অসিগী মকোক থোংবা সুট্টর ৬ না ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইরগনি।

হোক্কিঃ–



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী হোক্কিগী অহানবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ইন্দোনেসিয়াবু পাঞ্জল ৮–০ দা মায়থিবা পীখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ ইন্দিয়ানা হৌবদগী হৌনা য়ুম্বু টিম অদুবু খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী দ্রেগ–ফ্লিকর গুর্জিৎ কোরনা হেটট্রিক চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়াবু পাঞ্জল ৬–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গুর্জিৎ কোরনা শান্নবগী ১৬, ২২ অমসুং ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখি। টিমমেট ভন্দনা কটারিয়ানা শান্নবগী ১৩ অমসুং ২৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা উদিতানা পাঞ্জল অমা, ২৪শুবা মিনটতা লালরেমসিয়ামীনা পাঞ্জল অমসুং শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই নভনিট কোরনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু গেমস অসিগী য়ুম্বু ইন্দোনেসিয়াবু ইনিদয়ানা পাঞ্জল ৮–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

সুট্টিংঃ–

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০গী মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন চাইনাগী জি জিয়াওজিং অমসুং ৱু জিয়ায়ুনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুনা কোরিয়া য়ুনিফাইদকী পেয়র কিম মিনজুং অমসুং লি দেময়ুংনা পোইন্ট ৪৭৩.২ দা লৌবা ঙমখি। নীংশিংবা য়াবদি কোরিয়াগী পেয়র অসিনা সাউথ কোরিয়াগী চাংৱোনদা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তা ইভেন্ট অসিগী অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি। মখোয় অনীনা ৱার্ল্ড কপ অদুদা পোইন্ট ৪৮৭.৭ ফংবা ঙমখিবনি।



*মিক্স এয়র রাইফলদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী চান্দেলা অমসুং কুমার*

বেদমিন্টনঃ–

নুপাগী বেদমিন্টন টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন টিম্না মালদিপ্সপু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টাই অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা ইন্দিয়াগী কিদম্বি শ্রিকান্থনা মালদিপ্সকী হুসেন সাহিদ ঝাকিবু মিনট ১৮ চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–৪, ২১–৫ দা থোইদুনা মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ১১ ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোইনা মালদিপ্সকী মোহমেদ সারিমবু ২১–৮, ২১–৬ দা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহুমশুবা ওইনা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা মালদিপ্সকী মোহমেদ অজফান রাসিদপু ২১–৭, ২১–৮ দা থোইদুনা টাই অদু ইন্দিয়ানা মালদিপ্সপু মেটচ ৩–০ দা থোইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা বেদমিন্টন টিম অসিনা হয়েং গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগনি।

বাস্কেটবোলঃ–

বাস্কেটবোল ইভেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম চাইনিজ তাইপৈগী মখূত্তা ৮৪–৬১ দা মায়থিখ্রে। ইন্দিয়ানা হয়েং কোরিয়া য়ুনিফাইদকা লম্বা তৌরবা মতুং থা অসিগী ২৩দা গেমস অসিগী য়ুম্বু ইন্দোনেসিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

**Asian Games 2018: Medals table**

| Rank | Nation | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 7 | 5 | 4 | 16 |
| 2 | Japan | 3 | 5 | 4 | 12 |
| 3 | Rep. of Korea | 2 | 3 | 4 | 9 |
| 4 | Indonesia | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 5 | Chinese Taipei | 1 | 0 | 3 | 3 |
| 6 | India | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 7 | Thailand | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 8 | Kazakhastan | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 9 | Iran | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 10 | Phlippines | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 11 | Vietnam | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 12 | Hongkong | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 13 | Malaysia | 0 | 0 | 1 | 1 |

# নুপীগী দবলসকী টাইটল জেক রিপব্লিক্কী সফারোভা অমসুং রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভানা লৌখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা হালেপ অমসুং বর্টেন্স শান্নরগনি

*মেসোন, ওগষ্ট ১৯ঃ*

য়ুএসএগী ষ্টেট ওহিওদা লৈবা মেসোন সিটিদা চখৎরিবা সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলস টাইটল অদু জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভা অমসুং রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভানা লৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্স লম্বা তৌনরগনি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভা অমসুং রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভানা ৬শুবা সিদেদ পেয়র বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অমসুং নেদরলেন্দসকী দেমী স্কুরসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৭–৫ দা থোইদুনা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।



*নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌখ্রবা লুসি সফারোভা অমসুং একাটেরিনা মকারোভা*

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্স লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা বেলারসকী অরিনা সবালেনকাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা য়াম্না কোম্না বেলারসকী অরিনা সবালেনকাগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা সেট অমা শোত্থদুনা লৈরিবা বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকী মায়োক্তা লম্বা খরা পীবা ঙমখ্রবসু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী হালেপনা সবালেনকাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬–৪ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভাবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা কিকি বর্টেন্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু সেট ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেট অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা শান্নরকপদগী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভাবু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর টু সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং ১০শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস লম্বা তৌনরগনি।

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট টাই ব্রেক্তা ফেদররনা ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা গেম অমমম থোইনদুনা লৈরিঙৈদা বেলজিয়মগী গোফিন মশা শোক্তুনা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু ৬–৪, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র গ্রেট বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজনা ৭শুবা সিদেদ পেয়র কলম্বীয়াগী সেবাষ্টিয়ান কবাল অমসুং রোবার্ট ফারাগা লম্বা তৌনরগনি।

# সিনক্যুফিল্ড কপকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন আনন্দ দ্রো চৎখ্রে

*সেন্ট লৌইস, ওগষ্ট ১৯ঃ*

৫রক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লম্বা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দনা য়ুএসএগী হিকারু নাকামুরাগা য়ুএসএগী সিটি সেন্ট লৌইসতা পাঙথোক্লিবা সিনক্যুফিল্ড কপ গ্রান্দ চেছ টুরগী অহানবা রাউন্দদা ক্বিইন্স গেমবিত দিক্লাইন শান্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।



রেপিদ অমদি ব্লিটজ মশান্নদা ৯শুবা পোজিসন তাদুনা নীংবা কায়হৌরবা ইন্দিয়াগী আনন্দ গ্রান্দ চেছ টুর অসিদা য়ুএসএগী হিকারু নাকামুরাবু অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা চপ চানা থেংনবা ঙমখিবনি। লোইশিল্লকপদা ক্বিন অমদি পাউন এন্দ গেম লাকপদগী হেঞ্জিন্নবা য়াদদুনা শান্নরোই অনীমক্না দ্রো চৎপদা য়ান্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা টেবলশিংদা ফ্রান্সকী মেক্সিম লাগ্রেভনাকা নোরৱেগী মেগনস কার্লসনগা দ্রো চৎখি। অদুগা য়ুএসএগী ফাবিয়ানো কারুনাগা রুশিয়াগী আলেকজেন্দর গ্রীসচুক্কসু দ্রো চৎখি।

অজরবাইজানগী গ্রান্দমাষ্টর সাখ্রিয়র মামেদিয়ারোভনা য়ুএসএগী ৱেসলি সোবু মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা অর্মেনিয়াগী লেভোন আরোনিয়াননা রুশিয়াগী সর্গে কর্জাকিনবু থোইদুনা মখোয় অনীনা অহানবা মফমদা লৈমিন্নরি।

রাউন্দ মাপন শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা ৱিন্নর ওইবা ঙম্বা গ্রান্দমাষ্টর অদুনা মনা ওইনা য়ুএস দোলর ৩০,০০০ ফংগদৌরিবনি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা হদ্দর্সফিল্ড টাউনবু ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, ৱাটফোর্দনা বর্নলিবু ৩–১ দা থোইখ্রে

*লন্দন, ওগষ্ট ১৯ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা হদ্দর্সফিল্ড টাউনবু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাটফোর্দনা বর্নলিবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং হদ্দর্সফিল্ড টাউননা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌদুনা শান্নরকখি। মেটচ অদুদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই সর্জিও এগুইরোনা হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমখি।



*মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী হেটট্রিক চনখিবা সর্জিও এগুইরোই*

শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই সর্জিও এগুইরোনা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী অতোপ্পা শান্নরোই গাব্রিয়েল জিজসনা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লবা মতুং সর্জিও এগুইরোনা ৩৫শুবা মিনটতা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা হদ্দর্সফিল্ড টাউনবু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা হদ্দর্সফিল্ড টাউনগী শান্নরোই জোন গোরেঙ্ক ষ্টাকোভিসনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা হদ্দর্সফিল্ড টাউনবু পাঞ্জল ৩–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৪৮শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই দেবিদ সিলভানা পাঞ্জল অমা হাপচিনবা ঙমখ্রবা মতুং শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা টিমমেট সর্জিও এগুইরোনা টিম অদুগী ৫শুবা অমদি মহাক্কী হেটট্রিক পাঞ্জল চন্দুনা ৫–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা হদ্দর্সফিল্ড টাউনগী শান্নরোই টেরেঙ্ক কোংগোলোনা শোয়বদগী চনশিজখিবা পাঞ্জলনা মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা হদ্দর্সফিল্ড টাউনবু পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাটফোর্দনা বর্নলিবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইবা ঙমখি। ৱাটফোর্দকী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৩শুবা, ৪৮শুবা অমসুং ৫১শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই এন্দ্রি গ্রো, ত্রোই দিনসি অমসুং ৱিল হুগেসনা চনবা ঙমখি। অদুগা বর্নলিগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা জেমস টার্কোস্কিনা চনবা ঙমখিবনি।